# হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা অহল ওইরবশিংগী এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ

—লৈশাংথেম অজিৎ—

*ইম্ফালদা* লৈবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী অৱাং থংবগী লাইরিকয়েংবম লৈকায়দা লৈবা মখোম শুন্বী ষণবীশিং লোয়বা চহী ৮০ গী মথক্তা লৈবা খুমন লম্পাক্তা মহাক্কী ষণশিংদা পীজনবা শজিক ফানবনা মহাক্কী মরুওইবা মথৌ ওইরিবা কে ঐচ লালবাবু সিংহনা হায়দ্রবাদতা লৈবা বালাযোগী ষ্টেদিয়মদা ফেব্রুৱারী ২১১ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২২ হেনবদগী শান্নরোয় লিশীং মরি রোম্না শরুক য়াখিবা ৩৮ শুবা নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ১০০, মিটর ২০০ অমসুং মিটর ৪০০ গী লমজেলদা মহাক্কী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল অহুম ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা খনগৎলবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা অমা ওইদুনা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না ইকায়খুম্নবা পীখিবদা লমদম অসিগী অহল ওইরবা শান্নরোয়শিংদা পূক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা অনৌবা থৌনা অমসু পোকহল্লি। লালবাবু সিংহ নহা ওইরিঙৈদা লৈত-লায়রা থিবদা শান্না খোৎনবদা শরুক য়ানবা মতম ফংখিদে, মহাক্না মানগাড়ী ত্রক্কচিংবা থৌদুনা আসাম অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলনচিংবা ষ্টেটশিংদা চৎতুনা হিংনবা লানফমদা থেংনখি। থবক্তগী পোত্থাদুনা অহল ওইরক্লবা মতমদা লমজেল চেনবদা শরুক য়াবা হৌরকখি। অখণ্ড অহৈশিংগা তান্নদুনা নিংথিনা চাং নায়না লমজেল চেনবদা থৱায় য়াওনা প্রেক্টিশ তৌবদগী নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা কয়ারক হন্না মহাক্কী চহী গ্রুপ্তা মায় পাক্তুনা টাইৱানগী কোনুং টাইপৈদা পাঙথোকপা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তসু শরুক য়ারুরে অমদি মণিপুরদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টনা পাঙথোকপা মেগা মরাথন অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন্না শিনবা হাফ মরাথোন্দসু চহীগী ওইনা শরুক য়াদুনা নহারোলশিংবু মপূক্নিং থৌগৎপা অহলনি।

তপ্না তপ্না অহল ওইশিল্লক্লবা, চহী য়ামশিল্লক্লবা নুপা-নুপীশিংবু শান্না খোৎনবগী লমদা হেন্না থৱায় য়াওশিনহন্দুনা অথোই অহেন তান্নবদা মপূক্নিং হেন্না চঙশিনহনবগা লোয়ননা মতম চুপ্পদা তুং কোয়না মশা-মউ ফনা থম্বা ঙম্নবা অমদি শান্নবগী কলচর অমা খুন্নাই অসিদা লৈহনবদা মতেং পাঙনবা অহল ওইবশিংগীসু মখল মখা অয়াম্বা মশান্নশিংদা লম্বা তৌনহনবা অসি মালেম শিনবা থুংনা চৎনবী অমা ওইরক্লি। মশান্না কয়া অমুক্তা চহী য়াল্লবা মীওইশিংগী নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা অথোই অহেন তান্নহল্লি। মসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মরুওইবদি 'এথলেটিক্স' নি। এথলেটিক্স হায়রগা ঐখোয়না লমজেল চেনবা, হর্দলসগী লমজেল, নূং হুনবা, তা লংবা, দিস্কস লংবা, হেম্মর লংবা, লোঙজম্প, ত্রিপল জম্প, হায়জম্প, পোলভোল্টদা অথোই অহেন তান্নববু খঙনৈ। ৱর্ল্ড মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন্না মালেমদা অহল ওইশিল্লক্লবা এথলেটশিংগী অথোই অহেন তান্নবদা ৱায়েল থৌদাবগী খ্বাইদগী চাউবা (ৱাংবা) লূপনি। লূপ অসিনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসনশিংনা এফিলিয়েট তৌই। লৈবাক অসিগী ওইনদি মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী চাউবা লূপ ওইদুনা ৱর্ল্ড মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন্দা এফিলিয়েট তৌই। চহী ৩৫ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদগী চহী ১০০ হেল্লবা নুপা নুপীশিংবু এথলেটিক্সতা মপূক্নিং থৌগৎতুনা অথোই অহেন তান্নহনবগী অশিল অরাং তৌরিবা লূপ (ৱর্ল্ড মাষ্টর এথলেটিক্স ফেদরেসন) অসিনা এথলেটশিংবু চহী খেন্নবগী মতুংইন্না গ্রুপ খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙান্না অথোই অহেন তান্নহল্লি। মরম অসিনা চহী ৩৫ দগী ৩৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা এথলেটশিংগী তোঙান্না অথোই অহেন তান্নহল্লি। মতৌ অসুম্না চহী ৪০ দগী ৪৪ ফাওবগী তোঙান্না, ৪৫ দগী ৫০ ফাওবগী তোঙান্না মথং মথং চহী ৯৫ দগী ১০০ ফাওবগী কাঙলুপসু য়াওরি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা মকোক মথং তারকপশিংবু এসিয়ান মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অমসুং ৱর্ল্ড মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরু কয়াবগী খুদোংচাবা ফংই। মণিপুরগী এথলেট কয়ামরুম এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুদুনা মেদল ফংলকখিবা কয়া অমুক য়াওখ্রে । মখোয়গী মনুংদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুবসু য়াওরি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারীগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ৩৮ শুবা নেসনল মাষ্টরস এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ষ্টেট ২২ দগী এথলেট লিশীং মরিরোম্না শরুক য়াখি। খেন্না খেন্নবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা, তোঙান তোঙানবা কলচর, ফিজেৎ, কুচু অমদি খেন্নবা চহীগী মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী থোইদোক হেন্দোকপা এথলেট ওলেম্পিক গেমস, কম্মনৱেলথ গেমস অমসুং এসিয়ন গেমসদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংসু খেন্না খেন্নবা চহীগী কাঙলুপ্তা হায়দ্রবাদতা পাঙথোকখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখি। মসিগী মথক্তা শান্নববু পামজবা ডোক্তর, এঞ্জিনিয়ার, লল্লোন ইতিক তৌবশিং, স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, ওফিসকী থবক তৌবশিং, ফেক্টরিদা থবক শুবশিং, সিফাই, পুলিস, রেলৱেদা থবক তৌবশিংখক্তা নত্তনা লৌমীশিংসু চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখি। রাজস্থান, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবকী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা লৌমী কয়ামরুম য়াওই। মখোয় অয়াম্বনা ফিজেৎ চাকচাদা খুঙ্গংগী ফজবা শক্তম, চৎনবীশিং অদু থাদোক্তে। মদুমক্না মখোয়দা চাওথোকচবা অমা পোকচৈ অমদি ইন্দিয়াগী মীয়ামদা মখোয়গী শক্তম খঙহনবগী খুদোংচাবা অমনি হায়না লৌই। চহী ৭৫ গী মথক্তা হায়জম্পদা শরুক য়াখিবা রাজস্থানগী অহল অমা মহাক্কী থৌরম লৈতবা নুমিৎতা হিদাকফু অচৌবা অমা থক্লগা গেল্লরিদা ফমদুনা শান্নবগী কুম্মৈ য়েংদুনা লৈ।

মহাক্কী মতৌ অদু উবদা ত্রিপল জম্পদা ঐহাক্না শরুক য়ামিন্নবা ক্বাকৈথেলদগী কুঞ্জেশ্বর সিংহনা মহাক্না ৱারী শারুসি হায়দুনা চঙশিল্লগা ৱারী শারুবদা মহাক লৌউবনি। লাইরিক লাইশু হৈতবা, ঈজৎ লৈনা হিংবা নিপানি হায়বা খঙখি। মহাক ফুট ৬ লোম ৱাংই। কোয়েৎ অঙৌবা অমা চাউনা য়েৎলি। ফৈজোম অঙৌবা অমা শেৎলগা খুদাংচোনবী ফুরিৎ অচৌবা অচোনবা অমগা লিৎলি। ফি মচা অমা য়াল্লি। শেঞ্জেং অমসুং উনা শাবা হিদাকফু অচৌবা তোংজৈ পানবা অমদা অচৌবা ঙানথক অমা হীদাক হান্দুনা হিদাকফু অদু চিংদুনা কুম্মৈ য়েংই। মহাক লাইরিক হৈতে হায়না খঙলকপদি মহাক্কী লৈফম হংবদা অতোপ্পা মহাক্কী টিমগী নিপা অমা কৌরগা ইহল্লি।

অমরোমদা, চহী ৬০ গী কাঙলুপ্তা খোঙনা চৎপা তান্নবদা শরুক য়াবা এথলেট অমনা মহাক্কী থৌরম হেক লোইবগা ত্রেক্তগী থোরক্তুনা গেল্লরিরোমদা লাক্তুনা মীয়াম ফন্সিবশিং অদুদা মমায় ওনশিল্লগা হৌনা হৌনা নোক্তুনা মীয়াম অদুবু নোকহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামশিং অদুসু নোক্লম্মী। মহাক্কী মনাক্তা নুপা-নুপী মঙা তরা লেপ্তুনা মহাক্কুম্না হৌনা হৌনা নোকপা হৌরকপদগী মীয়ামসু নোক্তুনা লৈখি। মহাক নোকপগী ক্লব (Laughing Club) কী মেম্বর অমনি। নোকপনা হকচাং ফহল্লি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা খুদোংচাবা অমা লৌখিবনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা সনাগী মেদল অহুম লৌখিবা লাল বাবুগুম্না ৱায়তোন খুলদগী চহী ৮০ গী কাঙলুপ্তা মিটর ১৫০০ অমসুং মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল অনী ফংখিবা এম জুগোল সিংহ নহা ওইরিঙৈদা য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংদা পৈশা তাল্লুবা এথলেটনি। নহা ওইরিঙৈদা লমজেল চেনবদা শরুক য়ারক্তবা নিপা অসি অহল ওইরকপদা হকচাং ফনা লমজেল চেনবদগী দম লৈবা হেনগৎলক্তুনা এথলেটিক্সতা শরুক য়াবদা ইন্দিয়াদা লৈবা মহাক্কী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীখি। মহাক্কুম্বা লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদবা লাইরিক লাইশু নীংথিনা তম্বগী খুদোংচাবা ফংহৌদ্রবা, শেল থুম মরাং কায়না লৈজদবা অহল ওইরবা এথলেটশিং অসি মরীল লৈ, হোৎনবা কল্লি অমদি মমান্নবগা লম্বা তৌনবদা শিবা কিদে।

খোংজোমদগী এল ইবেমহল দেবী লমজেল অমদি ৱাকিং চৎপা তান্নবদা চহী খুদিংগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা সনাগী মেদল ফংবীনি। মহাক নুমিৎ খুদিংগী মোইরাংখোমগী য়াইস্কুল পুলিস লেন্দা এঞ্জাং মনা-মশিং য়োন্দুনা মচাশিংবু মহৈ-মশীন তমহল্লিবী এথলেটনি। ইবেমহল, লাল বাবু অমদি জুগোলনচিংবা লৈত লায়রগী লাম্থেংনরিবশিংনা অৱা অনা কাউথোক্তুনা মশাগী অশংবা মতমদা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ইন্দিয়াদা মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্না হল্লকপা অসি লৈবাক মীয়ামগী তমজনীঙাইনি। মশক মমিং পনজরিবা এথলেটশিং অসি নত্তনা সনাগী, লুপাগী মদি শেঞ্জেংগী মেদল ফংখিবা, ফংখিবীশিংগী মনুংদা মীপূম খুদিংমক্কী তোঙান তোঙান্না মমিং মথা পনবা ঙমজদ্রবসু হোটেল ফম্বী, ফি শাবী, ঙা ফাবী, দুকান ফম্বীনচিংবা অমদি থবক্তগী পোত্থারবা পোত্থারবীশিংসু য়াওরি।

থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মেদল ফংখিবশিংদি প্রমোদিনি দেবী লাইরিকয়েংবম লৈকায় (৭৫) লোংজম্প, মিটর ২০০, সুনিতা দেবী (৭০) য়াইস্কুল, ত্রিপলজম্প অমসুং দিস্কস, কেশোসিং (৭৫) শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায় হায়জম্প অমদি হেম্মর থ্রোনি। অসিগুম্লবা অহলশিংগী এথলেটিক্সকী অথোই অহেন তান্নবা অসিদা চহী ৩৫ গী মথক্তা লৈবা নুপা-নুপীশিং শরুক য়াদুনা হকচাং ফনা লায়না তীলনা চঙবা ঙমদনা লৈবখক্তা নত্তনা শান্নরোয় অমা ওইবগী অফবা মগুণশিং তপ্না তপ্না লৈরকপগা লোয়ননা মপূং ফাবা মী অমা ওইরকপা য়াবগী খোঙথাংদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লকই।

# নুপী শিন্মীশিংনা মান্নবা অধিকার, থবক শুবগী পুংফম অমদি মীওৎ-মীনৈগী মায়োক্তা ত্রেদ য়ুনিয়ন শেম্লকখিবগী ঈহৌ

(মার্চ ৮, ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে)

– প্রো: বেডমনি –
প্রসিদেন্ট, ৱার্কিং ৱিমেন ফোরম, মণিপুর

*খুন্নাই* চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা হ্যুমেন ইসেন্স ৱাংখৎলকই, পোত্থোক পুথোকপগী প্রোসেসতা অচৌবা অহোংবা লাকই। হোংলক্লিবা কয়াসিগা ইরোয়ননা নুপীশিংনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং তান্নবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরকখি। মরুওইনা নুপী শিন্মীশিংনা নুপাগা মান্নবা খূৎশুমল ফংনবা, মান্নবা অধিকার ফংনবা অমসুং শিনশঙদা মখোয়বু ওৎপী নৈবীবা থিংনবা ঈহৌ কয়া হৌরকখি।

ইন্দিষ্ট্রিয়েল রেভল্যুসন মতুং ১৯ শুবা চহীচাগী ময়ায় চনশিল্লকপা মতমদা নুপী শিন্মীশিংনা খুদোংচাদবা কয়া - খূৎশুমল হন্থনা পীবা, থবক শুবগী অকক্লবা মতম লৈতবা, অহিংগী সিফটতা থবক শুহনবনচিংবা কয়া মায়োক্লবা তাখি। থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা মতাং অমতং পল্লবদা ন্যু য়োর্ককী গার্মেন্ট ফেক্টরিশিংদা নুপী শিন্মীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং - নুপী শিন্মীশিং লোয়ননা তনৌ তনৌরবী চহী ১৫ রোমগী লৈশাবী মচাশিংনা মঙাল মতিক চানা ফংদবা, নাকোং পংশিলহল্লবা মেছিনগী মখোল অমদি লশিংদগী থোরকপা উফুলগুম্না কূংলবা মফোলনা নুংশিৎ মরক্তা চবুন-চবুন য়োম্না পায়বা উফুল মরক্তা থবক শুবা তাখি। য়াম্না তোয়না মৈহৌ লাংপোক থোক্তুনা শিন্মী কয়া থৱায় মাঙখি অদুগা কয়া অমবুনা মপুন্সিগী ওইনা দিসএবল ওইহনখি। নুপী শিন্মীশিংবু ৱারী শাবগী, নোকপগী, ঈশৈ ঙংবগী নৎত্রগনা ফিদা মেছিনগী থাউ চুশিনবগী, ফিরোল তুবদা য়েতুম ময়া লনবা নৎত্রগা কূংবগী মরাল অমা হেক্তা পীশিন্দুনা মখোয়গী খূৎশুমল ককপী। মখোয়বু নমদুনা মতম শাংথনা থবক শুহল্লবসু অহেনবা খূৎশুমলদি পীবিদে। মখোয়না টোইলেট তৌনবগীদমক বিল্ডিং মপান্দা চৎপদা ফাওবা থবক কায়গনি হায়দুনা অথিংবা থম্মী, থোঙ শো লোন্দুনা থবক পানরিবদুনা শোদুমাগী ফুরিৎফাওদা হাপচন্দুনা থম্মী। অসুম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা জেল মনুংগী ফাদোক্না মান্ননা অফা অপুন মরক্তা থবক শুবদা মমৈথংদদি খাঙবা ঙম্বগী পল লাম্থোরকপদগী কুমজা ১৮৫৭ কী মার্চ তাং ৮ দা ন্যু য়োর্ককী গার্মেন্ট ফেক্টরিদা থবক শুবী নুপী শিন্মীশিংনা মরুওইবা দাবী অনীদা (১) মান্নবা অধিকার অমদি (২) থবক শুবগী অকক্লবা পুংফম নোংমদা পুং ৮ ওইহন্নবগীদমক অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। প্লেকার্দশিংদা - ঐখোয়গী দাবী ফংদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি, অপূনবগী শক্তিনা ঐখোয় হেন্না হেন্না পাঙ্গল কল্লকখিগনি, শিন্মীশিং পুল্লসি, শিন্মীশিংবু অকন অরিং শীংদুনা ওৎ-নৈবীগনু হায়বনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্লোগানশিং য়েক্তুনা অমদি লাউদুনা ওথোরিটিদা অমদি মীয়ামদা মখোয়গী পান্দম খঙহনখি। অদুবু লাইবক থীবদি নুপী শিন্মীশিংসিগী য়াম্না রাইটফুল ওইখ্রবা দাবীশিংদু পীবিবগী মহুত্তা অকনবা পুলিস ফোর্স শীজিন্নদুনা তমথিনা ফু চৈখি অমদি ঈহৌদু লাকশিনখি। মসিগী থৌদোকসিনা মতমদুগী লাইরিক লাইশু হৈরবা অমদি খুন্নাইদা অওনবা পুরকপা পাম্বা মশক নাইরবা নুপাশিংনা নুপী শিন্মীশিংগী ঈহৌ অসি শৌগৎনরকখি। অদুগা চহী অনীগী মতুংদা মালেমদা নুপী শিন্মীশিংগী ইহান হানবা ট্রেদ য়ুনিয়ন য়ু এসতা লিংখৎখি।

মতুং তারকপদা কুনশুবা চহীচা হৌরকপদদি মালেমগী মফম কয়াদা নুপীশিংগী হক ফংনবা দাবী কয়া পুখৎতুনা লৈঙাক মপুশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা ঈহৌশিং হেন্না খুমাঙ চাউশিল্লকখি। কুমজা ১৯০৯ গী ফেব্রুৱারী ২৮ দা য়ু এসকী সোসিয়েলিষ্ট পার্টিনা লমজিংদুনা নুপীশিংগীতা ওইবা ঈহৌ অমা লৈবাক্কী মফম শিনথুংনা হৌদুনা নুপীশিংবু পোলিটিক্সকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা অমসুং থবক শুবগী পুংশিং হন্থহনবগী দাবীশিং পুখৎখি। মথংগী চহীদা ন্যু য়োর্ককী গার্মেন্ট ফেক্টরিশিংগী নুপী শিন্মীশিংনা - নুপাশিংগা খূৎশুমল মান্নবা, ফেক্টরিদা ৱার্কিং কন্দিসন ফগৎহনবা অমদি থবক শুবগী মতম নোংমদা পুং ৮ দা হন্থহনবা দাবীশিং পুখৎতুনা থবক লেপ্তুনা আন্দোলন চঙশিনখি। গার্মেন্ট ৱার্কর য়ুনিয়ন্না থবক শুবা লেপ্তুনা আন্দোলন চঙশিল্লকখিবদগী হান্না মেম্বর ১,০০০ লৈরম্বদগী অতৈ কয়াসু মীং চল্লক্তুনা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা মেম্বর ১৯,০০০ য়ৌখি। মখোয়না শিনশঙ মমাঙদা পিকেটিং তৌদুনা মীয়ামদা মখোয়গী ঈহৌ শৌগৎপীনবা আপিল তৌখি। চয়োল ১৩ রোম চত্থখিবা ঈহৌদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা মেনেজমেন্টনা পুলিস অমদি গুন্দা কয়া নেক্তুনা ঈহৌ চঙশিল্লিবী নুপী শিন্মীশিংবু ওৎ নৈখি। মীয়াম্না ঈহৌ অদু শৌগৎনরকখি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগীসু নুপী কয়ানা ঈহৌদু শৌগৎনরকখি। থৌদোকসিগী মখা তারকপদা মসিনা পাড়া অমা ওইরগা মালেমগী অতৈ মফম কয়াদসু নুপী শিন্মীশিংনা থবক শুফমদা নুপীশিংগী তঙাইফদবা খুদোংচাবা কয়া ফংননবা নুপীশিংগী ত্রেদ য়ুনিয়ন শেমদুনা-নুপাগা খূৎশুমল মান্ননা পীননবা অমসুং পোলিটিক্সকী লমদা শরুক য়াহন্নবা দাবীশিং পুখৎতুনা খোঙজং কয়া লেপ্তনা পাঙথোক্লরকখি।

মালেমদা সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন্না পাক শন্না শন্দোরকপা মতম, ইন্টরনেসনল সোসিয়েলিষ্ট ৱিমেন কৌবা লূপ অমনা অনীরকশুবা মালেমগী থাক্তা ফম্বা মীফম অমা দেনমার্ককী কোনুং কোপেনহেগেন সহরদা কুমজা ১৯১০ দা ফমখি। মীফমদুদা মমিং লৈরবী জর্মনগী ক্লারাজেটকিন, মশামক ত্রেদ য়ুনিয়ন লীদর অমদি সোসিয়েলিষ্ট কম্যুনিষ্ট লুচিংবী অদুনা চহী খুদিংগী মার্চ তাং ৮ বু (কুমজা ১৮৫৭ গী নুপী গার্মেন্ট ৱার্করশিংগী ঈহৌবু




*কুমজা ১৮৫৭ কী মার্চ তাং ৮ দা ন্যু য়োর্ককী গার্মেন্ট ফেক্টরিশিংদা থবক শুবী শিন্মী নুপীশিংনা হৌখিবা ঈহৌ।*

নীংশিংদুনা) মালেম শিনবা থুংনা নুপীশিংগী দিমান্দ থাঙ্গৎপা নুমিৎ হায়না পালন তৌনবা প্রপোজ তৌখি। মালেমগী লৈবাক ১৭ কী নুপী দিলিগেট ১০০ রোম্না প্রস্তাব অদু শৌগৎতুনা ৱারেপ তাখি। কোপেনহেগেনগী মীফম অদুদা নুপী শিন্মীশিংদা মেটর্নিটি বিনিফিট পীনবা লোয়ননা নুপী শিন্মীশিংবু নাইট সিফটতা থবক শুহন্দনবা অমদি নুপীশিংদা ভোটিং রাইট ফংহন্নবা দিমান্দশিং থাঙ্গৎখি।

কুমজা ১৯১১ দদি কোপেনহেগেনগী ৱারেপ অদু ওষ্ট্রিয়া, দেনমার্ক, জর্মনি অমসুং স্বিজরলেন্দা চহীদুগী মার্চ ১৯ দা অহানবা ইন্টরনেসনল ৱুমেন'স দে পালন নুপী শিন্মী লাক্ষ ১০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা হৌখি। নুপী শিন্মীশিংগী ফীভম ফগৎহন্নবা, ভোট থাদবগী অধিকার পীনবা, থবক তৌবগী অধিকার ফংহন্নবা, ভোকেসনেল ত্রেনীং পীনবা অমসুং থবক শুফমদা মীওৎ-মীনৈ চত্থদনবা দাবীশিং পুখৎখি। পালন অদুগী চয়োল অমগী মতুংদা মার্চ ২৫ দা য়ু এসকী ন্যু য়োর্ক সহরদা লৈশাবী শিন্মী ১৪০ রোম পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি অমসুং শিখিবা অয়াম্বদি ইটালিয়ন অমসুং জিয়ুশিংনি। থৌদোক অদুনা য়ু এসকী লেবর লো শেমদোকখি অমসুং মতুংদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে পালন্দা অপনবা পীদুনা লাকখি। রুসিয়াদদি অহানবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে পালন কুমজা ১৯১৩ গী ফেব্রুৱারী থাগী অরোয়বা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখি। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও হৌরকখিবা মতম ওইবনা রুসিয়াগী নুপীশিংনা লানগী মায়োক্তা অমসুং লৈবাকশিং নুংশি চান্ননা মচিন-মনাওগুম্না লৈমিন্নবা রেল্লি পাঙথোকখি।

কুমজা ১৯১৭ তা রুসিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে পালন অদু দি গ্রেট ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসনগী চাউরবা খূৎলায় অমা ওইখি। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা রুসিয়াগী লাম্মী মিল্লিয়ন অনীরোম শিখিবা অদুদগী রুসিয়াগী নুপীশিংনা **ব্রেদ এন্দ পিছ** হায়বা খোল্লাওদা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা শিনখি। নুপীশিংগী ঈহৌ অদু রুসিয়াগী ওইরিবা পোলিটিক্সকী লৈতাদবা অদুনা পালন অদু মতম খরা য়েথোক্লবা পোলিটিকেল লীদরশিংনা খঙহল্লবসু নুপীশিংনা নুমিৎ অদুমক্তদা পালন পাঙথোকখি। পালন মতুং নুমিৎ মরিনিদা জার ফম থাদোকখি অমসুং অনৌবা লৈঙাক্না নুপীশিংবু ভোট থাদবগী অধিকার পীখি। কুমজা ১৯২০ গী ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে পালনগা মরী লৈননা মালেমগী ইহান হানবা ওইনা রুসিয়াদা মান্নবা খুন্নাইগী য়ূম্ফম থোনখিবা লুচিং পুরেল ভি আই লেনিননা হায়রমই, "কেপিটেলিজমদা ফোর্মেল ইক্বেলিটি (আইনগী ওইবা মিৎয়েংদা) লায়রবা অমগা ইনাকখুনবা অমগা, চরাম চদৎনবা অমগা পুক থননবা চাবা মীগগী মরক্তা খেন্নবা লৈত্রবসু ইকোনোমিক অমদি সোসিয়েল ইনইক্বেলিটিগা তোৎশিন্নদুনা লৈ। মদুগী মথক্তা ফোর্মেল ইক্বেল্লিটি অসি কেপিটেলিজমদা অহোংবা নাই হায়বসিগী খ্বাইদগী ময়েক শেংলবা শক্তমদি নুপা অমসুং নুপীগী ষ্টেটস খেন্নবা অসিনি।"

য়ুনাইটেদ নেসন্সনসু সান ফ্রান্সিসকোদা ফমখিবা নুপীশিংবু নুপাগা মান্নবা অধিকার ফংহন্নবা ৱারেপ পাস তৌখি। মীফম অদুদগী য়ুনাইটেদ নেসন্সনা হীরম কয়াদা নুপীশিংবু নুপাগা থোং মান্ননা থম্ননবা অমসুং অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎপা হৌখি। ঙসিদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা খুন্নাইদা অকায়বা থোকহল্লিবা, শেন্থোক লম্বী হন্থরকপা অমসুং পোলিটিক্সকী লৈতাদবা ৱাথোক কয়া অমা থোক্লিবসি নুপীশিংবু নুপাগা থোং মান্নহন্দুনা অমদি পোলিটিক্সতা শরুক য়াহন্দুনা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা পুখৎত্রিমখৈদি কোকহনবা ঙল্লোই হায়রক্লি। য়ু এননা পীবা রিপোর্ট অমদা মালেমগী ওইনা লৈরিবা লায়রবা মশীং বিল্লিয়ন ১.২ গী মনুংদা নুপী মশীং চাদা ৭০ নি অমসুং নুপীশিংনা থবক শুবগী পুংশিং চাদা ৬৭ ওইবা মতমদা মখোয়গী ফংলিবা শেনফমসি মালেমগী অপূনবা শেন্থোক্কী চাদা ১০ খক্তনি হায়বা উৎলি। মালেমগী ওইনা নুপীশিংগী ফংফম থোক্লবা খূৎশুমল য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১৬ ওইরবসু মখোয়না ডোল্লর বিল্লিয়ন ১১ দগী হেন্না ফংদে। মসিগা লোয়ননা নুপী শিন্মী অমদা নুপা শিন্মী অমগী চাদা ৩০/৪০ তাবা খূৎশুমল পীবিরি।

ইন্দিয়াগী ওইনদি নুপা শিন্মী অমসুং নুপী শিন্মীশিংগী ফীভমসি মালেমগী লৈবাকশিংদগী য়াম্না হন্থরবা থাক্তা লৈ। জেন্দর গেফ ইন্দেক্সতা মালেমগী ওইনা ইন্দিয়াসি ১১৪ শুবদা লৈরি। লৌউ শিংউগী শিনফম নত্তবদা নুপীশিংনা থবক তৌরিবসি অপূনবা নুপী মশীংগী চাদা ১৭ খক্তনি। অপূনবা ৱার্ক ফোর্সতা শরুক য়ারিবা নুপী মশীংনা সহরদা চাদা ১৩.৯ অমসুং খুঙ্গংদা চাদা ২৯.৯ নি। নুপী শিন্মী অমনা ফংলিবা খূৎশুমলনা নুপা অমদা ফংলিবা খূৎশুমলগী চাদা ৭৫ নি। মালেমগী ওইনা চাওখৎলবা লৈবাকশিংদা লৌউ-শিংউগী চাথোক পুথোকপদা নুপীনা চাদা ৬০-৮০ ফাওবা শরুক য়ারবসু ইন্দিয়াদদি নুপী শিল্লং লৌমীশিংবু নুপাগা মান্নবা খূৎশুমল পীবিদে। নুপীদা অহেনবা শক্তি পীনবা অমসুং থবক্কী খুদোংচাবা পীনবা আইন কয়া লৈরবসু গ্লোবেলাইজেসন্না পান্দম অদু মপূং ফাহন্দ্রি। নুপীশিংবু থবক ফংহন্নবা থল্লিবা পান্দমদা নুপী শিন্মীশিং মশীং হেনগৎলক্লিবসি দোমেষ্টিক ৱার্কর ওইনা থবক তৌরিবশিংনি।

ইন্দিয়াদা নুপীশিংনা লৈরিবা ফীভমসি নৈনরুবদি য়াম্না মীপাইনীংঙাই ওইরি। অপূনবা মীশিংগী চাদা নুপা ১,০০০ গী মনুংদা নুপী ৯৪৫ লৈরম্বদু কুমজা ২০১১ গী মীকোক থিবদা নুপীগী মশীং ৯২৭ তা হন্থরক্লি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না চেকশিনবা ৱাৎপদগী পোকপদা ঙাইরিবী নুপীমচা শিবগী চাংসু ৱাংই হায়না উৎলি। অউনপোৎকী ৱাথোক অমদি পোক্ত্রিবা অঙাংদু নুপী ওইরবদি মাঙহনবগী মশীং য়ামখৎলকই। কুমজা ২০১০ গী রিপোর্ট অমদা চহী ১৫ শুরবা নুপীমচাশিংনা লাইরিক তম্বগী চাংসি ৪৮.৪ দনি অমসুং নুপী অমনা মচি ওইবা চিঞ্জাক কেলোরি ২,২০০ চাগদবদা কেলোরি ২,০০০ চাবা ফংই হায়না উৎলি। লোয়ননা অপূনবা নুপী মশীংগী চাদা ৯২ গায়নেকোলোজিগী প্রোব্লেম লৈবনা নোংমদা নুপী ৩০ রোম অঙাং উন্নবদা শিরি। নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরো (এন সী আর বি) গী মতুংইন্নদি নুপীশিংদা চত্থরিবা ক্রাইম মখল কয়াসি মীশিং হেনগৎলকপগী চাংচৎতগী হেল্লি। কুমজা ২০১০ গী ক্রাইম রিপোর্ট চাংদম্নবদা মিনিট ৩.৫ খুদিংগী নুপী ওইবীশিংদা ক্রাইম অমা মায়োক্লহল্লি। নুমিৎ খুদিংগী নুপী ৪৫ ঈজৎ মাঙহল্লি। হায়বদি মিনিট ৩২ খুদিংগী নুপী অমা ঈজৎ মাঙহল্লি। ডাওরিগা মরী লৈননা নুমিৎ খুদিংগী নুপী ২১ রোম হাৎলি লোয়ননা নোংমদা নুপী ওইবী ১৩৫ রোমবু মপুরোইবা ওইরিবশিংনা তমথিনা ওৎপী-নৈবী। কুমজা ১৯৯৭ তগী ২০১০ ফাওবদা নুপীবু ঈজৎ মাঙহনবগী চাংসি চাদা ৬.৭ হেনগৎলকই অমসুং সেক্সুচুয়েল হেরাসমেন্টসু চাদা ২০.৬ হেনগৎলকই।

মালেমগী ওইনা নুপীশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা হৌরকখিবা ইহৌনা নুপীশিংবু ভোট থাদবগী অধিকার ফংহল্লবসু লৈঙাকলোন্দা শরুক য়াবগী চাংদি য়াম্না নেল্লি। মালেমগী অতৈ লৈবাক খরদা নুপী ওইবীশিং ভোট থাদবা য়াহন্দবা অমসুং মীখল থেংনবা য়াহন্দ্রি। মরম অসিদগী নুপীশিংনা মখা তানা মপা মপুগী সম্পতি শরুক ফংনবা চঙশিনবা তঙাইফদ্রি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসন শেমখিবা চহী ৬০ গী মতুংসিদা নুপীনা পার্লিয়ামেন্টতা শরুক য়াবা ঙল্লিবসি চাদা ১০.৮২ খক্তনি। নুপীশিংনা লৈঙাক্কী লমদা শরুক য়াবগী চাং নেল্লিবসি লৈবাক অসিগী ফ্যুদেল সোসাইটিনা অপনবা পীবদগীনি। লৈবাক অসিদা অতোনবা কাঙলুপশিংগী মীওইশিংবু তোকখায়না ইন্থোকপীবা অমদি মখোয়বু ভোট বেঙ্ক ওইনা শীজিন্নরকপনা মশীং য়াল্লবা নুপী কয়া নুপাগা থোং মান্নহনবা ঙমদ্রি।

হন্দক্কী ইন্টরনেসনল ৱিমেন'স দে পালন অসিদদি শিন্মী নুপীগী ওর্গেনাইজেসন কয়ানা সেমিনার অমসুং রেল্লি চৎতুনা মীয়ামদা নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া খঙহন্নবা হোৎনরি। সিভিল সোসাইটি অমসুং লেফটকী নুপী ওর্গেনাইজেসনশিংনা নুপীমচাশিংবু লাইরিক তমহন্নবা, এসেমব্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা নুপীগী সিট খাক্লবা দাবী পুখৎকনি অমসুং পান্দমশিং অসি মপূং ফাহন্নবা ইন্দিয়াগী নুপীশিং মথৌনা লৈনা লৈবাক্কীদমক চোঙথোক্লরক্লি। হন্দক্কী পালন অসিদদি নুপীশিংনা তানখিবা দাবীশিং মহয় ফংখিবা অমসুং ৱাৎলিবা অধিকারশিং পুখৎনবা হোৎনদুনা-*শিন্মী নুপীশিংনা মান্নবা অধিকার, থবক শুবগী অকক্লবা পুংফমগীদমক ত্রেদ য়ুনিয়ন শেম্বীরো।*